# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা

Charlie

Paulette Goddard

Alber Einstein and Family

- মখোয় অনীনা মায় পাক্লে। চার্লিনা খন্থবদা হান্নগী Virginia দু কৌবনা ফরনি খল্লক্লে। অদুনা চয়োল অমগী মতুংদা মাবু অমুক হল্লক্নবা হায়নখ্রে। অদুবু Virginia সু মুক্তুনা লৈখ্রে। হান্নগী চয়োলদা দোল্লর ৭৫ পীবদু শরুক অমা হেনগৎত্রবদি লাকপা ঙল্লরোই হায়রক্লে। চার্লিনা য়াদবা ঙমদ্রে। চয়োলদা দোল্লর ১৫০দা য়ানদুনা Virginia না হল্লক্তুনা The City Lights কী মমিং উদবীদু শাবদা অদুম তারে।
- হন্দক্তি Virginia Cherrill না মমিং তাংবী শারগা লৈ য়োনবা অমদি চার্লিদা লৈ পীবদু নম্বদা ওন্থোক্না মায় পাক্লে। অসুম্না চহী অমা ফাজিল্লক্লবা ফিল্মদু লোইবদা থা ৯ অমগা চঙখি। অদুনা ১৯৩০গী জুলাই লোইশিল্লকপদদি The City Lights তু নম্বা লোইরগুম্বনি। অদুবু চার্লিনা হন্না নম্নিংবা সিন খরা অমুক নল্লগা ১৯৩১গী জন্যুৱারী ৩০দদি ফিল্মদু প্রেমিয়র শো উৎলে। লোস এঞ্জেলস থিএটরদা।
- ফিল্মসিগী ফজবদু পাউ হান্না তাবদগী নুংথিল ঙল্লিঙৈদগী মীয়াম্না হান্না থিএটর অদুগী মমাঙদা পৈররে। মীয়ামদু ঙাকপদা পুলিস অৱাবা ওইরে। লন্থী থিংখ্রে। মীয়াম্না ইন্নবদা দুকান থোঙনাওফাওবা কায়রে। পুলিসনা টিয়র গ্যাস শীজিন্নরনি হায়না লাউথোক্লক্লে।
- মীয়াম্না চার্লি চাপ্লিনবু য়েংহৌগদবগী ইন্নরিবনি। অদুগী মথক্তা লৈবাক্লা য়াম্না উনীংবা Alber Einstein মতৈ-মনাওসু য়েংবা লাক্কদৌরি হায়বা তাবননি। মখোয়নীদু মীরক খায়দুনা চঙলকপদা অৱাবা ওইখ্রে। মখোয়নীগী মতুংদা চার্লিনা জিওর্জিয়াগা পূন্না লাকমিন্নখি। মীরক্তুদা চার্লিদু পিশক পিকখি। ইকাইথীবা অঙাং মানখি।
- ফিল্মদু উৎপা হৌরকপদা মীয়াম তুমিন্না লৈখি। অহুমশুবা রিল উৎপা লোইবদা মৈ ঙাল্লকখি। হোলগী ফজবা য়েংহন্নীংবগী ঙাইহাক লেপ্পনি হায়না লাউথোক্লকখি। মদুদা ফিল্ম য়েংনীংবনা ঙাওরবা মীয়াম্না হুইশেল খোংজিল্লকখি। লাউ-খোংবা হৌরকখি। অমুক ফিল্ম কাপ্পা হৌখি। লোইশিল্লকপদা মীয়াম্না খুবাক খুদুনা ফিল্মদু থাগৎলকখি। মদুদা চার্লিনা থা কয়া নম্বদা ৱাখিবদু পুমকাউ কাউখি।
- City Lights ফিল্মদু চহী ২ রোম চঙনা নম্নবা হোৎনবদা চার্লিগী লন্নাই পুন্সিগী ৱারী থোইনা লৈখিদে। প্রেসনসু লিটা গ্রে কায়নখ্রবা মতুংদা মাগী মরমদা পাউ ফংখিদ্রে। মতাংসিদা মাগী তোয়না লোয়নবা মীদি জিওর্জিয়া হেলখক্তনি।
- Georgia Hale মশক ফজৈ, লেমজৈ। চার্লিবু লুনা লৌজবা নুপীনি। চার্লিনা হায়বা ইল্লি, চালিবু নীংজবা মীনি। অদুগা অসিমা পাম্মী হায়জদবীনি। মাননি চার্লিবু ১৯২৬ অদুৱাইদগী টেনিস শান্নবদা অপান্বা পোকহনখিবসু।
- ১৯৩০ মতুংদা চার্লিগী য়ূমদা মীরৈবাক্কী মরুপ-মপাং কয়া অমসু কোয়রকখি। মখোয়গী মনুংদা Einstein য়াওরি, Ivor Montagu য়াওরি।
- The City Lights উৎলন্নবা মতুংদি চার্লি লন্দন্দা প্রেমিয়র শো উৎপা চঙখ্রে। অদুগী মতুংদনা য়ুরোপ্তা কোয়বা চৎখ্রে। অদুনা চহী ১গা থা ৪ হল্লকখিদ্রে। মহাক মতম খরা পোত্থাবা পাল্লে। ফিল্মদা হোৎনবদা মহাক চোকথরে হায়জৈ। মহাক ১৯৩১গী জন্যুৱারী ৩১দগী চৎখিবনা ১৯৩২গী জুন ১০দা অমুক হল্লকখি।
- চার্লিনা য়ুরোপ কোয়রুবদু মাগী পুন্সিগী লোয়নবী অমতং থিবা চৎপনি। অদুবু থেংনদনা হল্লকখি। লাইবক্লা তন্বা হায়বা তাই। কুমজা ১৯৩২গী জুলাইদা Joseph Schenck কৌবা অমনা মাবু চয়োল অমতং মাগী হিদা কোয়বা য়াওবিরনবা হায়রক্লে। নুপাদুগী খোঙচৎতু ফজবী নুপীশিং য়াওগদৌরি। মদুদা Paulette Goddard কৌবী অদুসু য়াওরি। কুমজা ১৯১১দা নিউ য়োর্কতা পোকপীনি। মমিং অশেংবদি Pauline Levy কৌবনি। মশাগী চহী ১৬তা Edgar James কৌবা অমদা ময়ুম পাল্লুরবনি। অদুবু চহী ফাদনা কায়নরকখিবনি। অদুদগী মহাক হোলিৱুদতা ফিল্ম কুম্নবা লাকখিবনি।
- Paulette মশক য়াম্না ফজৈ, ঙাল্লি, ৱা ঙাঙবদা মচিন য়াঙই, আশা ৱাংই অদুবু মশাদি চমজৈ। চার্লিগা মখোয়নি উনবদা খোঙচৎতু নুংঙাইমিন্নখি। চার্লিগা মাগা ইমুংগী ফীভমসু মান্নে। মাসু মমা মপা কায়নরবনি। পিক্লিঙৈদগী ইমুংগী লৈত-লায়র পুরক্লবীনি। হৌজিক্তি মদোম মদোম লৈনরবনি। ৱারী শানবদগী মখোয়নি অমত্তা ওইরকখি।
- চার্লিনা মাবু পৈশা তানবগী লম্দা পাউতাক কয়া পীবিখি। মশম অঙাঙবা শঙলিবদু মশাগী অমুবদু ওইনা থম্বনা ফগনি তাকপীখি। সুম নকশিন্নরকপনা ১৯৩২গী সেপ্টেম্বর ১৯দা Paulette না ন্যু য়োকর্ত চৎখিবগী থিন্দোকপদা অহিংদুমা এয়রপোর্টতা লেনমিন্নখি। কায়নরমদাইদা কিস অমা তৌনখিবদু পাউচেদা চাউনা হাপ্পকখি।
- শোমদনা মচা নুপা অনীদু মমানা পুখিবদু চার্লিনা উনবা কয়া চত্তে। মখোয়দু অঙাং ওইরি। চার্লস হায়বা অহলদুনা চহী ৭ শুরে, অদুগা মনাওনুপা সিদনি হায়বদুনা চহী ৬খক্তা ঙায়রি। অঙাং অনীদু মমা পোকপা মবোক্লা য়োক্লি। মরমদি লিটা গ্রেসু ঈশৈ শকপী ওইনা মাগী কেরিয়ার অমা শেম্নবা কন্না হোৎনরি।

-মথং-মথং

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

# শেম্পুগী মহুৎতা কন্দিশনরনা কোক তুম্বগী কান্নবা

শমগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা ক্লিঞ্জিং কন্দিশনর নৎত্রগনা “কো-ৱাশিং” হায়বসি ঙসিগী মীরোলনা পাম্নবা থৌওং অমা ওইরক্লে। কো-ৱাশিং হায়বসি “কন্দিশনর ৱাশিং” হায়বনি। মহৌশাগুম শেম্পুনা কোক তূম্বগী মহুৎতা কন্দিশনর খক্তনা কোক তূম্বগী থৌওংবুনি। অহানবদা শম খোইবা মীওইশিংখক্তগী ওইনা পুথোরকখিবা থৌওং অসি ঙসিদি মখল খুদিংমক্কী মীওইশিংনা শীজিন্নবা হৌরে। শেম্পুদা য়াওবা সর্ফেক্টেন্টনা তরু-তরুবা কোংগোল থোকহল্লি। কন্দিশনরদসু সর্ফেক্টেন্ট য়াওই। চাং খরা হন্থবগা লোয়ননা ময়াক খরা চন্থগী ৱাদনি। শেম্পু লুজবা মতমদদি কোংগোল হেক থোকপগা অথুবা মতমদা ঈশিং অচম্বনা শেংনা থাদোকপা তারবসু কো-ৱাশিং তৌবা তারবদি কন্দিশনর তৈশিল্লবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা থাদোক্কদবনি।

কো-ৱাশিংগী কান্নবদি শমদা য়াওজবা মহৌশাগী ওইবা থাউ মাঙহন্দনা অমোৎপা অদুখক লৌথোকপনি। মসিনা শমগী মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা মতম শাংনা শমগী ফীভম তরু-তনান্না লৈহল্লি। কো-ৱাশিং অসি মখল খুদিংমক্কী শমদা শীজিন্নবা য়াই অদুবু হেন্না কান্নবা পীরিবদি শম ইকং কংবা অমসুং শমদোল পোকখায়বা মীওইশিংদনি। অহানবদা থৌওং অসি মরেক কাগনবা (ওইলি হ্যের) শমদা শীজিন্নবা পক্লদে হায়না লৌনরল্লবসু হৌজিক্তি মখল খুদিংমক্কী শমদা শীজিন্নবা য়াই হায়বা খঙনরক্লে।

থৌওং অসিনা শমখোঙদা য়াওবা থাউগী খল কায়হন্দবগা লোয়ননা থাউরেক কা হেন্না কাহন্দে। শম ইকং কংবগা লোয়ননা শমদোল পোকখায়বা হায়বসিনা অমুক্কা হেন্না শম শোকচিল্লক্লবগী মরম ওইহনবা মরম্না থৌওং অসি মীপুম খুদিংমক্লা শীজিন্নবা য়ারবা খ্বাইদগী ফবা পাম্বে অমা ওইনা লৌবা য়াই।

শম দ্রাই ওইবা মীওইশিংদি কোক তূম্বা খুদিংগী থৌওং অসি চত্থগদবনি। অতৈ মীওইশিংনা মরক-মরক্তা নোংমা ফাদোক শেম্পু শীজিন্নবসু অকায়বা লৈতে।

শম ফবা অমসুং ফজবা হায়বসি ঈশা-ঈশানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মখা য়াম্না পোল্লি। হোৎনবা অমসুং চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা অমা য়াওদনদি শম ফবা ওইথোক্লোইদবনিনা মীপুম খুদিংমক কো-ৱাশিং তৌবা য়াম্নমক তঙাইফদে।

## [illegible]





*N. Idipal Meetei*
*Class* : III, Group: A, Roll: 31
Smart Universal Academy
ꯑꯦꯟ. ꯏꯗꯤꯄꯥꯜ ꯃꯩꯇꯩ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯳, ꯒ꯭ꯔꯨꯞ: ꯑꯦ, ꯔꯣꯜ: ꯳꯱
ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

*Title* : **DREAM** (ꯗ꯭ꯔꯤꯝ)



*Sania Thokchom*
*Class* : II, Sec: B, Roll: 45
Smart Universal Academy
ꯁꯥꯅꯤꯌꯥ ꯊꯣꯛꯆꯣꯝ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯲, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯕꯤ, ꯔꯣꯜ: ꯴꯵
ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

*Title* : **SCENERY** (ꯁꯤꯅꯦꯔꯤ)



*Sarlatombi*
*Class* : II, Sec: B, Roll: 45
Smart Universal Academy
ꯁꯔꯂꯥꯇꯣꯝꯕꯤ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯲, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯕꯤ, ꯔꯣꯜ: ꯴꯵
ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

*Title* : **DOLL**



*W. Suprimond*
*Class* : III, Group: B, Roll: 31
Smart Universal Academy
ꯗꯕ꯭ꯂꯨ. ꯁꯨꯞꯔꯤꯃꯣꯟꯗ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯳, ꯒ꯭ꯔꯨꯞ: ꯕꯤ, ꯔꯣꯜ: ꯳꯱
ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

*Title* : **SCENERY** (ꯁꯤꯅꯦꯔꯤ)



*Joyshree*
*Class* : II, Sec: B, Roll: 24
Smart Universal Academy
ꯖꯣꯏꯁ꯭ꯔꯤ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯲, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯕꯤ, ꯔꯣꯜ: ꯲꯴
ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

*Title* : **SAVE EARTH**





*Subhash*
*Class* : V, Sec: B, Roll: 31
Smart Universal Academy
ꯁꯨꯚꯥꯁ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯵, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯕꯤ, ꯔꯣꯜ: ꯳꯱
ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

*Title* : **IRON MAN**





*Jenith*
*Class* : V, Sec: B, Roll: 8
Smart Universal Academy
ꯖꯦꯅꯤꯊ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯵, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯕꯤ, ꯔꯣꯜ: ꯸
ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

*Title* : **BARBIE**





*Alverta*
*Class* : II, Sec: B, Roll: 27
Smart Universal Academy
ꯑꯦꯜꯚꯔꯇꯥ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯲, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯕꯤ, ꯔꯣꯜ: ꯲꯷
ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

*Title* : **SCENERY** (ꯁꯤꯅꯦꯔꯤ)





*Tejmala*
*Class* : II, Sec: B, Roll: 33
Smart Universal Academy
ꯇꯦꯖꯃꯥꯂꯥ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯲, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯕꯤ, ꯔꯣꯜ: ꯳꯳
ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

*Title* : **SCENERY** (ꯁꯤꯅꯦꯔꯤ)



*MK. Wajifa*
*Class* : V, Sec: B, Roll: 6
Smart Universal Academy
ꯑꯦꯝ ꯀꯦ ꯋꯥꯖꯤꯐꯥ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯵, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯕꯤ, ꯔꯣꯜ: ꯶
ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

[illegible]



## চিঙ্গাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাকনি

# ব্লদ প্রেসর মেন্টেন তৌরিবা মরোই নাকুপ্পী

নেপাল, ভুটান, ইন্দিয়া অমদি চাইনাদা হৌরকফম ওইরিবা মরোই নাকুপ্পী অসি তিলহৌগা ফেমিলি পূনবা অমসুং হকচাংদা অসুক্কী মতিক কান্নবা পীরিবা মনা মশিংনি। ইচম-চম্না ঈশিংদা ফূৎলগা চাবা নৎত্রগা থাউ ভৌবদা শীজিন্নরিবা মরোই নাকুপ্পীগী সাইন্টিফিক ওইবা মমিং ALLIUM TUBEROSUM কৌই।

মরোই নাকূপ্পী গ্রাম ১০০ দা য়াওরিবসি এনর্জি কিলো কেলোরি ৩০; কার্বোহাইদ্রেট গ্রাম ৪.৩৫; প্রোটিন গ্রাম ৩.২৭; ফেট গ্রাম ০.৭৩; দাইটরি ফাইবর গ্রাম ২.৫; ফোলেট মাইক্রোগ্রাম ১০৫; নিয়াসিন মিলিগ্রাম ০.৬৪৭; পেন্টোথেনিক এসিদ এম জি ০.৩২৪; পাইরিদোক্সিন এম জি ০.১৩৮; রাইবোফ্লেবিন এম জি ৩.১১৫; থিয়ামিন এম জি ০.০৭৮; ভিটামিন এ ইন্টরনেশনেল য়ুনিট ৪৩৫৩; ভিটামিন সী এম জি ৫৮.১; ভিটামিন ঈ এম জি ০.২১; ভিটামিন কে মাইক্রো গ্রাম ২১২.৭; সোদিয়ম এম জি ৩; পোটাসিয়ম এম জি ২৯৬; কেলসিয়ম এম জি ৯২; কোপ্পর এম জি ০.১৫৭; আইরন এম জি ১.৬০; মেগনেসিয়ম এম জি ৪২; মেনগনিজ এম জি ০.৩৭৩; ফোসফরস এম জি ৫৭; সিলেনিয়ম মাইক্রো গ্রাম ০.৯; জিঙ্ক এম জি ০.৫৬; কেরোটিন মাইক্রোগ্রাম ২৬১২ অমসুং লুটিন-জিয়াজেন্টিন মাইক্রোগ্রাম ৩২৩ নি।

সুপ, সলাদ অমদি শা-ঙা থোংবদা চনমগী মহুৎ শিল্লগা শীজিন্নবা য়াবা মচল অসিনা ৱাখল ৱাবা ফহনবগা লোয়ননা হকচাং তেকখৎহল্লি। মতম অমদা কনাগুম্বা অমা হূ থক্লুরবদি মরোই নাকূপ্পী শুগাইরগা মহী পীথক্তুনা হূগী ময়াক চমহনবদা শীজিন্নে। অশোকপা মফমদা থোল্লগনা ঈ খকহল্লি অমসুং থুনা ওইশিলহল্লি/লিভর, কিদনি ফহনবা অমদি চাবা তুমদবগী মতাংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবসু য়াই।

ভিটামিন সী য়াওবা মরম্না মরোই নাকূপ্পী চাং নাইনা চারবদি লোক থুংহন্দে অমসুং লাইহৌ হৌহন্দে। রাইবোফ্লেবিন, পোটাসিয়ম, ভিটামিন এ, আইরন, থিয়ামিন অমদি বেটা কেরোটিনসু চাং ৱাংনা য়াওবনিনা ব্লদ কাওন্ট হেনগৎহল্লি, ব্লদ প্রেসর মেন্টেন তৌই অমসুং ইম্যুন সিষ্টম কনখৎহল্লি।

দাইটরি ফাইবর অমদি প্রোটিন মরাং কায়না য়াওবনিনা চাবা তুমহনবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা অনোয়বা অমদি হকচাংগী অরুম্বা হেনবা মীওইশিংনা চাবদা অকায়বা লৈতে। মরমদি মরোই নাকূপ্পীদা ফেটকী শরুক য়াওদে।